# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ হুমনি চুপা জন কল্যান সিবির কেম্পেন পাঙথোক্লগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লালহৌবা অনি, ড্রগ লল্লোনবা মীওই অনি ফারে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ফ্রান্স এভিয়নদা পাঙথোক্লিবা জি-সভেন মীফমগী অৱাংবা থাক্কী সেসনদা শরুক য়ারি।

**------**

সিবির (এল)ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ হুমনি চুপা জন কল্যান সিবির কেম্পেন পাঙথোক্লগনি।

থৌবাল জিলাদা জন কল্যান সিবির ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ হুমনি চুপা থা অসিগী ১৯ অমসুং ২০ দা থৌবাল দি.সি কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ হুমি চুপা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী য়াইফনবা কেম্প অসিদা জিলা অসিগী মীয়ামা অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা কেন্দ্র সরকারনা পীরিবা য়াইফ থৌরাং স্কিমশিংগী কান্নবশিং মীয়ামদা ফংহনগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা আধার রেজিষ্ট্রেসন, অপদেট তৌবা, আয়ুসমান কার্দ, উজৱালা অমদি অতৈ স্কিমশিংগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াগনি হায়রি।

বিষ্ণুপুর অমসুং জিরিবাম জিলাদসু ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ হুমি চুপা কেম্পেন অসি চখগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কামজোংনা জন কল্যান সিবিরগী মখাদা মেগা রেজিষ্ট্রেসন কেম্প অমা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

কাংপোকপী জিলাদসু ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৯ ফাওবা নুমিৎ হুমি চুপা কেম্পেন অসি পাঙথোক্কনি। মণিপুর সরকারগী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা শিনবা মীয়ামগী ওইবা য়াইফ থৌরাংগী কেম্পেন অসিগী মনুংদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনগনি।

তেংনৌপল, তমেংলোং, চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদসু জন কল্যান সিবির কেম্পেন নুমিৎ হুমি চুপা চখগনি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লালহৌবা অনি, ড্রগ লল্লোনবা মীওই অনি ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চখরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অনি ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনাম মমাং লৈকাইদগী হৌজিকনা শগোলবন্দ মোইরাং হনুবা ময়াই লৈরক্তা লৈবনি। অতোপ্পা মীওই অদুসু বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমরাম অৱাং লৈকাইদগীনি।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী মীওই অমসু পোইন্ট টু টুগী রিভোলভর অমদি কাপ্পা য়ারিবা মরু ৯ গা কোন্ননা ফাখি। ফারবা মীওই অদুনা খুরাই পুথিবা লৈকাইদগী হৌজিক সম্বে কংতক্তা লৈবনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ময়াই কাবা নিশাগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা মীওই অনি মোর্ফিম কিলোগ্রাম অনিগা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুদি চুরাচান্দপুর জিলাগী টি. খোনোমফাইদগীনি।

ঙরাংসু কাংপোকপী জিলাগী গমগিফাইদা হাংবা চ্যেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চথবদা ঔতোরিস্লো অমদগী য়ুঙৌ লিতর ১৬০ হেনবগা কোন্ননা মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু কাংপোকপী জিলাগী উতোংলোক্তগীনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা উখ্রুল জিলাগী সংকাই মোংকোট চেপু খুলগী চীংশাং পরেং অমসুং লৈঙাং চীং-সিকিবুং খুলগী চীংশাং পরেংদা শারম্বা বঙ্কর ১২ থুগাইদুনা মাংহনখ্রে। মফম অদুদগী বাইনোকুলর অমদি সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ মরু ৮ ফংখি।

ত্রাফিক (এল)ঃ ইম্ফালগী পাউনা কৈথেলদা মথৌ তৌরিবা ত্রাফিক পুলিস অমবু থাংনা থিনদুনা অশোক অপন নংহল্লম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা পুলিসনা ফারে। থৌদোক অদু ঙরাং অয়ুক অঙনবদা ত্রাফিক পুলিস পার্সনেল অদুনা মহাক্কী মথৌ থোক্লকপা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শিজিন্নখিবা থাং পুলিসনা ফংলে।

রিমস (এল)ঃ সেক্যুরিতিনা ঙাক শেন্দুনা রিমসতা লায়েংলকখিবা কুকিগী মীওই অহুম ঙরাং অহিং নোংয়াই মতুং হোস্পিতালদগী পুথোকখ্রে। কুকিগী মীওই অহুম অসি রিমস হোস্পিতালদা লায়েং চথবা য়ারোই হায়না তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মশিং য়াম্লবা মীওই কয়ানা রিমস হোস্পিতাল মমাংদা ঙরাং নুমিদাংসু অকনবা খোঙজং চংশিনখি। মদুগী মতুংদা খোঙজংলোইশিংগী মনুংদগী মীওই খরা খনগৎতুনা রিমসগী দিরেক্তরগা উন্নখি। মদুদা দিরেক্তরগী মাইকৈদগী শোক্তুনা লায়েংলিবা কুকি অহুম অদুগী ফিভম লুবদগী হোস্পিতাল অসিদগী পুথোকপা য়াদদুনা লৈবনি। অদুমওইনমক, ঙসি অঙনবা অয়ুক ফাওবদদি পুথোকখ্রগনি হায়না থাজবা পীরকখি হায়রি।

পোক্সো (এল)ঃ সেনাপতি ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন্না পোক্সো এক্টকী মখাদা লৌখৎপা এফ.আই.আর অমগা মরী লৈননা চহি শুদ্রিবা অঙাং অহুম মরাল

চুমথোকচনবা নুমিৎ ১৯ নি ওবজার্ভেসন হোমদা থমবা খঙহনখ্রে। মসিগী মথক্তা ভিক্তিম ওইরবা ইমুং অদুগী অহলশিংদা লুপা লিশিং ৫ ফাইন ওইনা থিহনবগী মথক্তা লুপা লাখ ৫ কম্পেন্সেসন পীনবসু খঙহনখি।

মোহারম (এল)ঃ ইস্লামিক কেলেন্দরগী মতুংইন্না ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী চহি হৌবা নুমিৎ অহানবা মোহারম ঙসি পাঙথোকরি। লোয়ননা থা অসিগী ২৬ তা অনৌবা চহিগী ১০ নি চনবা নুমিৎ য়াউম-ই-অসুরাগী পাঙথোক্লগনি হায়না সদর বজার জমা মসজিদকী চেরোল অমনা হায়রি।

জি-সভেন ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ফ্রান্স এভিয়নদা পাঙথোক্লিবা জি-সভেন মীফমগী অৱাংবা থাক্কী সেসনদা শরুক য়াখ্রে। চহি অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি- ফোরজিং নিউ পার্টনরসিপ এন্দ রিবিল্ডিং ইন্তরনেসনেল সোলিদরিতি হায়বসিনি। মীফম অসিনা জি-সভেন লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংবু অমত্ত ওইনা পুনশিন্দুনা অমগা অমগা তেংবাংননবা অমসুং মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ৱাফমশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

মীফম অদুদা ৱার্ল্ড বেঙ্ক অমসুং এফ্রিকান দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী মকোক থোংবা মীওইশিং শরুক য়াখি। মীফম অদু ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইমানুএল মেক্রোননা ফোরমেল ওইনা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমসুং অতৈ লুচিংবশিংবু তরামা ওক্লবা মতুংদা হৌখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- জি-সভেনগী লৈবাকশিং অসিনা মালেমগী চাওখৎ থৌরাংগী অমসুং মীওইবগী য়াইফনবা ৱাফমশিং কুপা খন্নগনি। মহাকা হায়- ভারতনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিনমিন্নবদা অচেৎপা থাজবা থল্লি।

রেলৱে ঃ ইন্দিয়ান রেলৱেজনা খা নোংপোক সেন্ত্রেল রেলৱেগী কিলোমিতর ৪২ শাংবা চম্পা-কোরবা থার্দ লাইন প্রোজেক্ট লুপা কোতি ৭৫৫ চংনা শানবা অয়াবা পীখ্রে।

রেলৱে মন্ত্রালয়না হায়- প্রোজেক্ট অসিনা চম্পা অমা কোরবাগী মরক্তা রেলৱেগী অহুমসুবা লাইন শেমগৎনবা থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। প্রোজেক্ট অসি লৈবাক অসিগী ওইনা তঙাইফদনা শেমগৎতবা য়াদবা অমা ওইরি। ইন্দিয়ান রেলৱেজগী মিসন থ্রি থাউজন্দ এম.টি অমসুং হাই দেন্সিতি নেটৱার্ক (ঐচ.দি.এ) কোরিদোর অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি। থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিগী চৎথোক চৎশিনগী পান্থৈদা হেন্না খুদোংচাহনবগা লোয়ননা পোৎ চৈ পুথোক পুশিনদু অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকিগী অশোকপশিং পুথোক্তবগী মায়োক্তা রিমসতা মীয়ামদা থোমজিনখিবা, ড্রগকী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা খন্ন-নৈনখ্রে, অকনবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক লৌখৎকদৌরি হায়বা পাউ অমসুং কুকি ইনপী মণিপুরনা কৌখিবা ব্লোকেদ হন্দোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

কুকি অশোকপশিং পুথোক্তবগী মায়োক্তা ঙরাং নুমিদাংসু রিমস হোস্পিতালদা মীয়ামা থোমজিনদুনা ইরাং হৌরকখিবা অমদি লায়েংলম্বা কুকি অহুম খোঙজংলোইশিংগী অপান্থবগী মতুংইন্না রিমসতগী পুথোকখ্রে হায়বা পাউ শঙাহ্ এক্সপ্রেস মণিপুরী, পোকফম, সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, গানফিউ মেল অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কমিতিনা মণিপুরগী অহেনবা শেন্থুং পীনবা রিকমেন্দ তৌখ্রে হায়বা পাউ পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

ড্রগকী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা খন্ন-নৈনখ্রে, অকনবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক লৌখৎতৌরি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পাউচে খরদসু অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

মণিপুর য়াওনা ষ্টেট মঙাগী মীখল ঙনখৎলবা য়ারি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কুকি ইনপী মণিপুরনা চংশিল্লম্বা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। রিমস হোস্পিতালদা মোক বোম কাপশিনবগী থৌওং ডোক্তর অমদি নর্সশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা আধার কার্দ লান্না শিজিন্নবনা মীতোপা ভোতর লিষ্টতা য়াওশিল্লকপগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমহনগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) চৎনহন্দনবা জেলিয়াংরোংগী লুপশিং দাবী তৌরি হায়না মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতি জিলাদা কেন্দল থানদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবিয়ু হায়না খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা জন কল্যান সিবির তমেংলোং হেদক্বাতরদা পাঙথোকবা থৌরাং লৌইরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

------